HUEIYEN LANPAO

১৪শুবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সব জুনিয়র বোইজ (চহী ১৫ অমসুং ১৫ মখা) ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮

# জে ৱাই সী জাইরোলপোকপীনা বি এস জি কালিনগরবু গোল ৭-৫দা মায়থীবা পীরল্লগা চেম্পিয়ন ওইখ্রে



জিরিবাম, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস) ঃ ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (আই জে এস এ) জিরিবাম্মা শীন্দুনা ওগষ্ট ৩১দগী হৌদুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা পাঙথোকখিবা ১৪শুবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সব জুনিয়র বোইজ (চহী ১৫ অমসুং চহী ১৫ মখা) ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ ফোর হরিচরন ট্রোফিগী চেম্পিয়ন জে ৱাই সী জাইরোলপোকপীনা ওইখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী টিম ৮না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সব জুনিয়র বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ ফোর এন হরিচরন ট্রোফি লোইশিনবগী থৌরম অদুদা রিটয়ার্ড এস পি ৱাই অশোককুমার, ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এম ব্রজকান্তা অমসুং টুর্নামেন্ট অসিগী দোনর এন প্রেমসঙ্করনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি জে ৱাই সী জাইরোলপোকপী অমসুং পি এস জি কালিনগর শান্নখি। মেচ অদু জে ৱাই সী জাইরোলপোকপীনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি। অদুগা পি এস জি কালিনগরনা বোল কাওখি।

অহানবা হাফকী ৯শুবা মিনটতা পি এস জিগী জর্সি নম্বর ১৬ জেহোভা মারনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চনবদা নত্তনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। জেহোভানা চনখিবা অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পি এস জি কালিনগরনা গোল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী ৫২শুবা মিনটতা পি এস জিগী জর্সি নম্বর ১১ লালজিন্না মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চনখি। মিনট ৫ কান্নরগা মেচকী ৫৭শুবা মিনটতা জে ৱাই সী জাইরোলপোকপীগী জর্সি নম্বর ৭ পাওলিয়ানসাংনা পি এস জিগী মাঙজিল থারিবা অহানবা গোল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু জে ৱাই সীনা গোল ১-২দা লৈখি। মিনট ৩ কান্নরগা মেচকী ৬০শুবা মিনটতা জে ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ১০ সাংবোইনা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চনবদা নত্তনা মেচ অদু গোল ২-২দা লৈহনখি।

পি এস জিগী মায়কৈদগীসু অহেনবা গোল চন্নবগীদমক এটেক কয়া চথ্বরকখি। মেচকী ৬৭শুবা মিনটতা পি এস জিগী জর্সি নম্বর ৭ লামসোন্না মহাক্কী টিমগী অহুমশুবা গোল চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ৩-২দা অমুক মাঙজিল থাখি। মিনট ২ কান্নরগা মেচকী ৬৯শুবা মিনটতা জে ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ১৫ জকারিয়ানা পি এস জিগী অহুমশুবা গোল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু গোল ৩-৩দা ইক্বেলাইজ তৌখি। মেচ অদুগী অরোইবা মীকুপ লোইবা ফাওবদা অহেনবা গোল চন্নদবদগী পেনালটি কাওনখি। পেনালটি কাওনবদা জে ৱাই সী জাইরোলপোকপীনা পি এস জি কালিনগরবু পাঞ্জল ৬-৫দা মায়থীবা পীরল্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট প্লেয়রনা জে ৱাই সী জাইরোলপোকপীগী জর্সি নম্বর ১৩ বোইলুন্না তাখি। মকোক মথং তাথ্রবা টিমশিংদা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা দাইজ মেম্বরশিংনা মনাশিং খুৎশিন্নখি।

২১শুবা এন পটমা মেমোরিএল মেন্স কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮

# মহাদেব নিংথেম্বম কাংখূৎনা ঈচেল ক্লব দিবোং কাংখূৎপু মায়থীবা পীখ্রে



জিরিবাম, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস) ঃ দিষ্ট্রিক্ট কাং এসোসিএসন জিরিবাম মণিপুরনা শীন্দুনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী বাবুপড়াদা লৈবা লমলেন কম্যুনিতি হোল কম কাংশঙদা ওগষ্ট ২৯দগী হৌদুনা চথরক্লিবা ২১শুবা এন পটমা দেবী মেমোরিএল মেন্স কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা মহাদেব নিংথেম্বম কাংখূৎনা ঈচেল ক্লব দিবোং কাংখূৎপু মায়থীবা পীখ্রে।

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী কাংখূৎ মাপন্না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ২১শুবা এন পটমা দেবী মেমোরিল মেন্স কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি মহাদেব নিংথেম্বম কাংখূৎ অমসুং ঈচেল ক্লব দিবোং কাংখূৎ শান্নখি। মেচ অদু মহাদেব নিংথেম্বম্না টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি। অদুগা ঈচেল ক্লবনা কাং কাপ্পা হৌখি।

কাংখূৎ অনীগী মায়কৈদগী লম্বা তৌনদুনা কাপ্পখিবা কাং অদু লোইশিল্লকপদা মহাদেব নিংথেম্বম কাংখূৎনা পাঞ্জল ২২-১৪দা মায় পাকখি। ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা কে ইবোতোন্না অম্পায়র অমসুং ও মঙ্গি মীতৈনা স্কোর পিকর ওইনা শরুক য়াখি।

২১শুবা এন পটমা দেবী মেমোরিএল মেন্স কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ফাইনেল থা অসিগী ২০দা শান্নগনি হায়রি।

# নুপাগী টেন্দিং ইভেন্টতা মণিপুরগী মাষ্টর জুগেশ্বর ক্ষেত্রিময়ূম ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস) ঃ মলেসিয়াগী আইলেন্দ সিটি পেনাংদা পাঙথোকখিবা অহানবা এসিয়া পেসিফিক মাষ্টরস গেম ২০১৮দা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুবা মণিপুরগী মাষ্টর জুগেশ্বর ক্ষেত্রিময়ূম্না ব্রোঞ্জ মেদল লৌরক্লে।

মলটিস স্পোর্টস ২২গী এসিয়া পেসিফিক্তগী পূন্না এথলেট ১৫০০না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা অহানবা এসিয়া পেসিফিক মাষ্টরস গেমস ২০১৮গী মাষ্টরশিংগী ওইবা ইহান হানবা খ্বাইদগী চাউবা চাংদম্নবা ইভেন্ট অমা পাঙথোকখি। এসিয়ন গেমসকী ইভেন্ট অমসু ওইরিবা পেনকাক সিলাটকী নুপাগী টেন্দিং ইভেন্টকী কেজি ৬০দগী ৬৫ ফাওবগী গ্রুপ্তা মণিপুরগী মাষ্টর জুগেশ্বর ক্ষেত্রিময়ূম্না ব্রোঞ্জ মেদল, ইন্দোনেসিয়াগী ইসমাল অহম্মদনা সিলভর অমসুং মলেসিয়াগী কাইরু ফজালনা গোল্ড মেদল লৌখিবনি।

ককচীং তুরেল ৱাংমদা লৈবা মাষ্টর জুগেশ্বর ক্ষেত্রিময়ূম্না ইন্দিয়াগী অমদি মণিপুরগী মীংচৎ পুরকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা পেনকাক সিলাট এসোসিএসন ওফ মণিপুর অমদি ককচীংগী ক্লব ওর্গেনাইজেসনশিংনা হরাউ নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি হায়না পেনকাক সিলাট এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি এল রঞ্জিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

অনীশুবা প্রসিদেন্ট কপ অন্দর-১৪ মেন অমসুং অন্দর-১৬ ৱিমেন হোকি চেম্পিয়নশিপ ২০১৮

# নুপাগীদা হোকি য়ুনিয়ন অমসুং বিষ্ণুপুর হোকি, নুপীগীদা এস ৱাই য়ু সী উচেক্কোন খুনৌ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস) ঃ মণিপুর হোকিনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক্কী এষ্ট্রো টর্ফ হোকি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা প্রসিদেন্ট কপ অন্দর-১৪ মেন অমসুং অন্দর-১৬ ৱিমেন হোকি চেম্পিয়নশিপ ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা চহী ১৪ মখাগী নুপাগী মেচশিংদা হোকি য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকায় অমসুং বিষ্ণুপুর হোকি মায় পাকখ্রে। অদুগা চহী ১৬ মখাগী নুপীগী মেচতা এস ৱাই য়ু সী উচেক্কোন খুনৌ মায় পাকখ্রে।

চহী ১৬ মখাগী নুপীগী কেটাগোরিদা টিম ৭না শরুক য়াদুনা গ্রুপ অনী অমসুং চহী ১৪ মখাগী নুপাগী কেটাগোরিদনা টিম ৯না শরুক য়াদুনা গ্রুপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা প্রসিদেন্ট কপ অন্দর-১৪ মেন অমসুং অন্দর-১৬ ৱিমেন হোকি চেম্পিয়নশিপ ২০১৮গী নুপামচাগী মরিশুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ৮.৩০ তাবা মতমদা হোকি য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকায় অমসুং হোকি একাদেমি খোংমন শান্নখি।

মেচ অদু হেক হৌবদগী হোকি য়ুনিয়ন্না হোকি একাদেমিবু লাকচরপ তৌনা শান্নখি। টিম অনীগী মায়কৈদগী



লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা হোকি য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকায়না হোকি একাদেমি খোংমনবু গোল ৫-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদগী লোইবা ফাওবদা হোকি একাদেমিগী মায়কৈদগী হোকি য়ুনিয়ন্না অহানবা হাফতগী মাঙজিল থাদুনা লাকখিবা গোলশিং অদু হন্দোক্তবা য়াদে মতাগুম তকখৎতুনা শান্নরকখি। হোকি য়ুনিয়নগী শান্নরোয়শিংনসু হোকি একাদেমিনা চথ্বরক্লিবা এটেকশিং অদু অঙম্বা পাঙ্গল পুথোক্তুনা দিফেন্দ তৌদুনা ফজনা শান্নখি।

মেচ অদুগী অরোইবা মীকুপ লোইশিল্লকপদা হোকি য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকায়না হোকি একাদেমি খোংমনবু গোল ১২-০দা লাকচনা মায়থীবা পীখি।

নুপামচা কেটাগোরিগী মঙাশুবা মেচ ওইনা ঙসি গ্রুপ এগী বিষ্ণুপুর হোকি অমসুং পি ঐচ এ এম ইম্ফাল ঙসি নুংথিল পুং ২.৪৫ তাবা মতমদা শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী টিম অনীনা ফজনা শান্নখি। অহানবা ক্বার্টর লোইশিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী লম্বা চানা শান্নখিবনা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা ক্বার্টরগী ২৩শুবা মিনটতা বিষ্ণুপুর হোকিগী জর্সি নম্বর ১২ এন রোহিটনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চন্দুনা মহাক্কী টিম্না অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা গোল ১-০দা মাঙজিল থাখি।

অহুমশুবা ক্বার্টরগী ৩৫শুবা মিনটতা পি ঐচ এ এমগী জর্সি নম্বর ৯ এন দত্তনা বিষ্ণুপুর হোকিগী মাঙজিল থানা চৎলিবা অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু গোল ১-১দা লৈহনখি। মিনট ৯ কান্নরগা মেচকী ৪৪শুবা মিনটতা বিষ্ণুপুর হোকিগী জর্সি নম্বর ৯ টি ঐচ বিক্রমজিৎনা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চনশিন্দুনা মেচ অদু গোল ২-১দা অমুক লৈহনখি। মেচকী ৪৬শুবা মিনটতা বিষ্ণুপুর হোকিগী এন রোহিট অমসুং বিষ্ণুপুর হোকিগী কেপ্তেন টি ঐচ দোনেলনা চনখিবা গোল অনী অদুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ৪-১দা মাঙজিল থাদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিল্লকখি। মেচকী অরোইবা মীকুপ ফাওবদা পি ঐচ এ এমগী মায়কৈদগী বিষ্ণুপুর হোকিনা মাঙজিল থানা চৎলিবা গোলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু মায়থীহৌখি।

নুপীমচাগী চহী ১৬ মখাগী মরিশুবা মেচ ওইনা ঙসি গ্রুপ এগী আইদিএল তেরা বজার অমসুং এস ৱাই য়ু সী উচেকোন খুনৌ শান্নখিবা মেচ অদু এস ৱাই য়ু সীনা গোল ৫-০দা মায় পাকখি।

# জুনিয়র নেসনল কোচিং কেম্পকীদমক মণিপুরদগী অহুম খল্লক্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস) ঃ মথং থাগী ৩দগী ৭ ফাওবা ম্যান্মারদা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ১৭ মখা অমসুং ১৫ মখাগী বেদমিন্টন এসিয়া চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী টিম খন্ননবা শান্নরোয় ৪২ খনগৎপগী মনুংদা মণিপুরদগী শান্নরোয় অহুম য়াওরক্লে।

নেসনল কোচিং কেম্প অসি উত্তর প্রদেশকী লক্ষনৌদা লৈবা বি বি দি বেদমিন্টন একাদেমিদা শান্নরোয় ৪২ অসিনা সেপ্টেম্বর ৩০ ফাওবা চথ্বগদৌরি। মণিপুরদগী খল্লকখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি মাইস্নাম মৈরাবা, আর কে উপানন্দা অমসুং মহেশ্বরি ক্ষেত্রিময়ূমনি।







উত্তর প্রদেশকী লক্ষনৌদা পাঙথোকখিবা কোচিং কেম্প অসিদা খনগৎখিবা শান্নরোয় ৪২ অদুদি নুপাগীদা বিকাস য়াদব (দেল্লি), রোহন গুরবানি (মহারাষ্ট্র), হরিয়ানাদগী রবি অমসুং গগন, অন্ধ্র প্রদেশতগী সাই সরন কোয়া অমসুং রেলি সঞ্জিবর রাও, কেরলাদগী পি এস রবিকৃষ্ণ অমসুং মানব রাজ সুমিথ, অসামদগী সুরজ গোলা অমসুং অংসুমান গোগোয়, টামিল নাদুদগী কে এস মুগুরপা, পি ভি শ্রায়াস অমসুং সঙ্কর মুথুস্বামিনি। পুদুচেরিদগী সাই সৈত্য অমসুং সর্ভেস য়াকালা, য়ু পিদগী অনিস বিসাল গুপ্তা, টেলঙ্গনাদগী প্রনব রাও গন্ধম অমসুং সাই বিষ্ণুপুলেলা লোয়ননা উত্তরখন্দগী সিবম মহেতা অমসুং প্রনব শর্ম্মানি।

খনগৎলবা নুপা শান্নরোয় ২০ অদুদি দেল্লিদগী অদিটি ভাট অমসুং ইশানি ৱালধিয়া, ৱেষ্ট বেঙ্গলদগী উটসভপলিট, মহারষ্ট্রদগী তারাশাহা অমসুং রিসা দুবে, য়ু পিদগী টনিসা সিংহ, মানসি সিংহ, সুটি মিশ্রা অমসুং সেলজা সুক্লা, গোৱাদগী টানিসা, কেরলাদগী ত্রিসা জোলি অমসুং মেহরিন রিচানি। টামিল নাদুদগী ভি এস বার্সিনি, গুজরাটতগী টাসনিন মির, হরিয়ানাদগী অনুপমা উপধে, কর্ণাটকাদগী বিথা হরিস, অসামদগী ইশারানি বরুৱা টেলঙ্গনাদগী মেঘানা রেদ্দি অমসুং কে ভরগবিনি।

কোচকী থৌদাং লৌগদৌরিবশিং অদুদি দেবেন্দ্র কোসল, জিটে সেন, পি ভি দিলিপকুমার, টি কিরন, টানিক্স, রিটুপরনা দত্ত, বি এন সুধাকর, বিরেন্দর, নিলিমা চৌধরি অমসুং ক্রুটি মুগুন্দনি। লোয়ননা সপোর্টিং ষ্টাফ ওইনা মীওই তরুকসু খনগৎতুনা পূন্না কোচিং কেম্প অসিদা শান্নরোয় ৪২, কোচ ১০ অমসুং সপোর্ট ষ্টাফ ৬না শরুক য়ারি।

# ৱাই পি সী লাঙ্গোল এফ সী অমসুং এম এস ৱাই দি ও-সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস) ঃ মাইপৌ সোক্কর য়ুথ দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেসন (এম এস ৱাই দি ও) না ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিএসন (এ এম এস এ) গী মীৎয়েং মখাদা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাকপগুম কুমসি চহীগী ওইনা ১৮শুবা সভেন এ সাইদ মেন্স সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা ৱাই পি সী লাঙ্গোল এফ সী অমসুং এম এস ৱাই দি ও-সী মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী টিম ৬৫না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ১৭শুবা সভেন এ সাইদ মেন্স সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী ১৪শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী এফ সী টুইনেল -বি অমসুং এম এস ৱাই দি ও - সী শান্নখি।

মেচ অদু টিম অনীগী মায়কৈদগী অমনা অমবু হেঞ্জিন্নবা ঙমদনা অকনবা লম্বা তৌনদুনা বোল কাওনখি। অহানবা হাফ হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল চন্ননবা এটেক কয়া চথনরবসু গোল ওন্থোকপা ঙমদনা মেচ অদু টাই ব্রেক তাদুনা পেনালটি কাওনখি। পেনালটি কাওনবদা এম এস ৱাই দি ও - সীনা এফ সী টুইনেল-বিবু গোল ১-০দা মায়থীবা পীখি। এম এস ৱাই দি ও -সীগী মায় পাকপগী পেনালটিদা চনখিবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৬না চনখি। ঙসিগী মেচ অদুদা টি কোবিন, জোন, মোচৌ অমসুং বি কে য়াইমনা মথংশিংনা রেফ্রি, এ আর ৱান, এ আর টু অমসুং ফোর্থ রেফ্রি ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৫শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদা অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ সীগী ৱাই পি সী লাঙ্গোল এফ সী অমসুং লোক্তাক বোই এফ সী শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীগী মায়কৈদগী হেক হৌবদগী অরোইবা মীকুপ ফাওবদা লম্বা চানা শান্নখিবনা গোল চন্নবা ঙমদবদগী পেনালটি কাওনখি। পেনালটি কাওনবদা ৱাই পি সী লাঙ্গোল এফ সীনা লোক্তাক বোইজ এফ সীবু গোল ১-০দা মায়থীবা পীখি। ৱাই পি সী লাঙ্গোল এফ সীগী পেনালটিদা চনখিবা অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ২০না চনখি। ঙসিগী মেচ অদুদা ৱাই পি সী লাঙ্গোলগী জর্সি নম্বর ২০ সী ঐচ মোলোজি মেচকী ৩শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ চাখি।

# নুপামচাগী চহী ১৩ অমসুং ১৪ মখাগী ফুটবোল কোচিং লোইশিনখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস) ঃ দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালগী মীৎয়েং মখাদা হৈবোং লৈকায় য়ুথ এসোসিএসন থৌবাল কিয়াম সিফাইনা শীন্দুনা ওগষ্ট ৪দগী হৌদুনা নুমিৎ ৪৫নি চূপ্পা পাঙথোকখিবা নুপামচাগী চহী ১৩ অমসুং ১৪ মখাগী ফুটবোল কোচিং প্রোগ্রাম ঙরাং থৌবালগী ওক্রম গ্রাউন্দদা লোইশিনখ্রে।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এম মনিনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা কোচিং প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়াখিবা শান্নরোয়শিংদা সার্টিফিকেটশিং খুৎশিন্নখি।

# থোংজু কেন্দ্রনা থাংমৈবন্দ কেন্দ্রবু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস) ঃ শিংজমৈ কাঙখূৎ চীংঙা-মথকনা শীন্দুনা লৈখিদ্রবা মংশাতাবম ইবোয়াইমা অমদি পুন্যবতিগী মীংদা হরে কৃষ্ণ অমদি মহাক্কী ইমুং মনুংনা স্পোন্সর তৌদুনা চথরিবা ৭ শুবা মংশাতাবম ইবোয়াইমা অমসুং পুন্যবতি মেমোরিএল মিক্স লীগ কম নোকআউট কেন্দ্র ৱাইস কাঙ টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা থোংজু কেন্দ্রনা থাংমৈবন্দ কেন্দ্রবু মায়থীবা পীখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিগী ১৩শুবা মেচ ওইনা গ্রুপ বিগী থোংজু কেন্দ্র অমসুং থাংমৈবন্দ কেন্দ্র শান্নখিবা মেচ অদু থোংজু কেন্দ্রনা থাংমৈবন্দ কেন্দ্রবু পাঞ্জল ১৭-১০দা মায়থীবা পীখিবনি।

# ট্রায়ল সেলেক্সন

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস) ঃ টামিল নাদুগী ইরোদতা ওক্টোবর ১৫দগী ২০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা অহানবা সব জুনিয়র মেন্স নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা মণিপুরগী বোক্সিং টিম শেম্নবগীদমক ট্রায়ল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ২৩গী অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক্কী বোক্সিং এরেনাদা পাঙথোক্লগনি। কেজি ৩৪দগী ৩৬, কেজি ৩৮, কেজি ৪০, কেজি ৪২, কেজি ৪৪, কেজি ৪৬, কেজি ৪৮, কেজি ৫০, কেজি ৫২, কেজি ৫৪, কেজি ৫৭, কেজি ৬০, কেজি ৬৩ অমসুং কেজি ৬৬কী ৱেট কেটোগোরিশিংদা ট্রায়ল সেলেক্সন অসি পাঙথোক্কনি হায়না মণিপুর এমেসর বোক্সিং এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি খোইবি সলাম্না খঙহল্লক্লি।

LOAN AVAILABLE



Business loan [Rs.1Lakh to Rs.20Lakhs (12% P.A)]
Pension loan (1.5%,2%,2.5%&3% P.M
AGRICULTURAL EQUIPMENT, FISH FARM EQUIPMENT
Electronics loan(T.V,Laptop,Xerox Machine,Washing Machine,etc...)
Machinery loan(Rice Mill,Stone Crusher,Carpentry Machine,Flex Printer, Embroidery Related Equipment, Solar Plate,Water pump,Incubator, Beverage Preparing Machine,Icecream Freezer,Car Wash Machine Set, Fish & Chicken Equipment,Iron Soldering Machine,Workshop Equipment,Etc..)

Development Organisation For Socio-Economic In Rural Area(DOFSERA) & L.G. MOTORS
CONTACT No.:- 9774495994/8731978490
OFFICE HOUR: 10.00AM TO 4.00PM
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI(H.Q),IMPHAL
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR
BRANCHES:- SEKMAI KOUJENGLEIMA,SAMUROU NEAR MACHU HALL,KAKCHING IRUM LAMDONG, THOUBAL OKRAM, NAMBOL PHOIJING LAMBAN,MOIRANG PATLOU.

HL-B/4720/24/6-21/08 (alt.)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com